হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জলাই ১৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১১০শুবা মশীং

## ক্লাস এলেভেনগী এদমিসন

### মার্ক নেম্বশিং কদাইদা তমগনি

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুর (বোসেম) না লৌবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসন, ২০২২গী রিজল্ট লাউথোকখ্রে। কোভিদ ১৯গী অকনবা পেন্দমিক্তগী ঙাকথোকহৌনবগীদমক টোটেল লোকদাউন থমজিনখিবদগী লাইরিক নিংথিনা তমহৌদবদগী প্রমোসন পীখিবদু নত্তনা হৌখিবা চহী ১০গী মনুংদা হন্দক্কী এগজামিনেসন অসিগী রিজল্টনা মহৈরোয় মশীং খ্বাইদগী য়াম্না পাস তৌবা চহী অমা ওইরে। অপূনবা এগজামিনেসনদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী চাদা ৭০গী মথক্তা পাস তৌখি। অদুবু কম্পার্টমেন্টেল সবজেক্টশিং পীরক্লিবা মহৈরোয়শিং অসিনা মখোয়গীদমক অখন্নবা পাঙথোক্কদবা এগজামিনেসনদা অমুক্কসু মশীং য়াম্না পাস তৌরক্লগদি পাস পার্সেন্টেজগী চাং অমুক্কসু হেঙ্গৎলক্কদৌরিবনি। মসি ওইরগদি ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিং অসিবু পুল্লপ ক্লাস এলেভেনদা তমহন্নবা লৈঙাক্কী ওইগেরা, লন্নাইগী ওইগেরা মতিক চাবা স্কুলশিং মশীং শুনা লৈরব্রা, লৈত্রগনা মখোয়গী একাদেমিক সেসন অমা মাঙদনবগীদমক এদ্যুকেসন সেক্টরদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙ অমসুং প্রাইভেট স্কুলশিংনা কদাই ফাওবা থৌদাং লৌরক্কদগে? হৌজিক ৱাহংসিগী পাউখুম পামদে। এগজামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোকখ্রবনি। লৈঙাক অমসুং লন্নাই মহৈরোয়শিংদা এদমিসনগী অকনবা থবকশিং চত্থনরিবনি। ৱাহংসিগী পাউখুম থবক্তা ওন্থোরক্কুনা খুন্নকপনা মহৈরোয়শিংনা হেন্না পামগনি। হোয়, মণিপুরগী মপান্দা লৈবা মহৈশঙশিংদা চৎতুনা খরদি তম্নখিবা য়াই। অদুগা মখা তানা তমথনবগী পান্থৈ লৈজদ্রবা মহৈরোয় খরনা হিংনবগী লানফমদা মশানা পামজবা/চানবা শিনফমদা চৎননবা ত্রেনিংনচিংবরোমদা মায় ওনশিন্নখিবসু য়াওবা য়াই। অদুবু হায়রিবশিং অসিগী মশীং কয়াম য়ামগনি? মসি ওইরগদি অসিগুম্বসিদা মহৈরোয় লিশীং খরসু চৎখ্রে হায়দুনা খায়দোক্লবা ফাওবদা লেমহৌরিবা মহৈরোয় চোন্নপ অমা কদাইদা তমগনি?

মার্ক ৱাংবা, টোপ্পরশিং য়াওনা অপূনবা মার্ককী চাদা ৮০, ৭৫ অমসুং ৭০নচিংবা ফংলকপা মহৈরোয়শিংগী দাইরেক্ট এদমিসন, ফ্রি এদমিসন ফি, ফ্রি ট্যুসন ফিগী খুদোংচাবশিং পীদুনা মিং চনবা হৌনখ্রে। অদুবু হায়রিবা মার্কশিং অসিসু য়ৌবা ঙমজহৌদবা, থর্দ দিভিজন্দা ফাওবা পাস তৌরবা মহৈরোয়শিংদি কদাইদা তমগনি? মরমদি প্রাইভেট স্কুলশিং খক্তা নত্তনা গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিং ফাওবদা কট-ওফ মার্কশিং থম্বগী চৎনবী হৌদোরক্লে। মসি থমদবশিংদনা এদমিসন/রিটন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি হায়রকপসু য়াওরে। থবকশিং অসিনা হায়রিবনা পাস তৌরবসু মার্ক নেম্না ফংলকপা মহৈরোয়শিংদি লৌরোই হায়বনি। মসি ওইরগদি মার্ক ৱাংনা পাস তৌরক্তবা মহৈরোয়শিংগী এদ্যুকেসনল করিয়রসি মেত্রিক এগজামিনেসন পাস তৌবগা লোইশিল্লগদ্রা হায়বগী ৱাহং থোরকই। লোয়ননা মতাংসি য়ৌরকপদদি প্রাইভেট স্কুলশিংদগী গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংগী ওজাশিংনা হেন্না থৌদাং চাওবগী ৱাফম লাকই। মরমদি লন্নাইগী মহৈ লোয়শঙশিংদি মহৈরোয়শিং লৌবদা চফু লৈবদা কোকসি খৎতুনা মখোল থোকহল্লগা য়েংদুনা লৈবগুম্না লোইনমক খল্লগা লৌশিল্লগা তম্বীখিবনি। অদুগা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদনা প্রাইভেট স্কুলশিংনা খন্দোরক্লবশিংদু পুল্লপ খোমজিল্লগা তম্বীদুনা পাস তৌহল্লক্কদৌরিবনি। কনানা হেন্না থৌদাং চাওফম থোকপগে? অদুবু হৌজিক লুরিবদি লাইরিক মখাদি তমথজনীংবা, মশাগী মার্কতি ৱাংনা ফংলক্তবা অমসুং নেমজবা মহৈরোয়শিং অসিগী ক্লাস এলেভেনগী তম্ফম লৈগদ্রা হায়বা ৱাফমসিনি। মতিক চাবা মহৈশঙ মশীং শুনা পীবা ঙমদ্রে হায়দুনা মখা তমথজনীংলিবা মহৈরোয়শিংবু ‘দ্রোপ আউট’ শিং ওইহনবা চুমগদ্রা? নৎত্রগনা একাদেমিক সেসন নংনবা মার্ক নেম্বা মহৈরোয় পূম্নমক ইমপ্রুভমেন্টগীদমক অখন্নবা মানা মানা পামজবা সবজেক্টশিংগী এগজামিনেসনশিং শিন্দুনা পাঙথোকপীবগী মতম লৈখিগদ্রা? মশ্বাইদা মরী লৈনরিবা ওথোরিটি/ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্না খূৎশম্নদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পন্থদনা পায়খৎহন্নীংই।

#### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১) **“তনৌ তনৌবী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করন্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“দ গাইদ: লমজিংবা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **“শাবন য়ূম্ফম”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“শোল্লবা কোকসিদা পুবদি ঙমজদা/পেনবা নাইদনা থকচিল্লুরে/নঙগী মায়থোঙগী কল্লবা য়ুগী নেশা।/অহিং চূপ্পা খাঙজৈ চৈনা, নীংজরুবগী/হন্দোক্তুনা/লাঞ্জখিদবা চীনসিদগী/নঙগী নমিং/লেপ্পা লৈতা।”** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করন্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

৫) **“নূর বেগম”** হায়বসি কনানা ইবা করন্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মহৈ-মশীন তম্বগী থবকসি কোরোনা মনুংদনা হেন্না চানরব্রা?

মতম মতমগী ৱাফম
সেঞ্জম দেবেন

হন্দক্তা লাউথোকখিবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুর (বোসেম) না লৌবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেসনগী রিজল্টসি য়েংলুরগা কোরোনা মনুংগী মতম্না অয়াম্বা ওইখিবা বেজ অসিগী মহৈরোয়শিংনা হায়রিবা এগজামসিদা য়াম্না নীংথিজনা মায় পাক্লকপগী চাংসি তশেংনমক অসুক্কী মতিক থাগৎনীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। হায়রিবা বেজ অসিগী মহৈরোয়শিংসি কোরোনা ভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না মতম শাংনা চৈথেং পীখিবা মতমদুগী মহৈরোয়শিংসু শোয়দনা ওইগদৌরিবনি। নীংশিংবা য়াই, তমথীরবা কোরোনা ভাইরস লায়নানা চাইনাগী ৱুহান সিটিদা ইহান হান্না মালেমদা খোঙদারকখিবা মতমদু কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর থা লোইশিল্লমদাইদনি। ভাইরস মখলসি হেক থোক্লকখিবদগী মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা য়াম্না অথুবা মতমগী মনুংদা কোরোনা পেন্দমিকসিগী ওইবা অৱা চৈথেংশিং মথং মথং লোইবা নাইদনা খাঙনখিবনি। মতৌ অসুম্না, হৌজিক ফাওবদা কোরোনা ভাইরসনা মালেম ফম্বাকথকসিদা মীওইবদা অৱা-চৈথেংশিং পীদুনা লৈরক্লিবা মতমসি চহী অনী মখায়মুক্তগী পংতা তারমগনি থাজদে। মথক্তা পঞ্জরিবা, হন্দক মেত্রিক এগজাম ২০২২গী রিজল্ট হায়দোক্লক্লিবা মহৈরোয়শিংগী বেটচসিদি হায়নরিবা শাংলবা মতমসি কোরোনা লায়নানা মরম ওইদুনা লাইরিক নিংথি-নুংঙাইনা তম্লকখিদ্রবা বেটচনি। ফীভমশিংসিদা পঞ্জরিবা বেটচসিগী মহৈরোয়শিংনা থাখিবা মেত্রিক এগজাম ২০২২ হায়দোক্লকপদা নহানমখৈদগী হেন্না রেকোর্দ কয়ামুক্কা লোয়ননা মায় পাক্লকপসিদা তশেংনা অঙকপা অমা হায়বদু ওইরে। হন্দক্কী মতাংসিদদি তশেংনা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংসি থাগৎপা য়াই। মখোয়গীদমক মমা-মপাশিং ওইরিবা ঐখোয়নসু চাউথোকচবা পোকই অমসুং মখোয়গী তুংগী পুন্সিগীদমকসু তাইবঙ মপুগী মফমদগী পুন্সি নুংশাংবা নীজরি।

ফীভম পূম্নমকসিদগী কোরোনা লায়নানা দিষ্টর্ব তৌরিঙৈ পেরিওদ মনুংদা হোৎনরকপা মহৈ-মশীনগী থাক্কা কোরোনাগুম্বা লায়না অমত্তনা দিষ্টর্ব তৌরক্তবা, ফ্রী ওইনা মহৈ-মশীন তমহল্লকপা পেরিওদশিংদা তাল্লকপা মহৈ-মশীনগী থাক্কা, থাক অনীসি শাথীনা খেন্নবা লৈরব্রা হায়বসি হন্দক্কী ২০২২গী মেত্রিক এগজামসিনা খনহল্লকপনি। থৌদৌসিনা মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা চিংনবগী মমি কয়ামুক তাহল্লে। হন্দক ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২২ থারিবা মহৈরোয়শিংগী বেটচসি মালেমসিগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না শাথীবা, কোরোনা পেন্দমিককী অকনবা চৈথেং মরক্তা মহৈ তম্লগা থাখিবা এগজামনি অমসুং এগজামসিগী রিজল্ট হায়দোক্লকপদনা রেকোর্দ ওইবা য়াবা ফীভমশিং কয়ামুক য়াওরম্বগা লোয়ননা তোপ তোপ্না শীংথানবা য়ারবা রিজল্ট মখল অমা ওইরমখিবনি। হন্দক হায়দোকখিবা ঐচ এস এল সী এগজামসিগী রিপোর্টতা থংনরিবা মমাঙগী চহীদা কোরোনাগী পেন্দমিকনা মরম ওইরগা, লৈঙাক্লা হন্দ্রেট পর্সেন্ট পাস তৌহন্দুনা প্রমোসন পীখিবগী থৌদৌদু নত্তনা মমাঙদা থংননা হৌখিবা চহী ১০গী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা পর্সেন্টেজগী থাক্তা চাদা ৭৬কী চাংদা হন্দক্কী মেত্রিক এগজামসিগী মহৈরোয়শিংনা পাস তৌনরকখিবনি। সিদসু নত্তনা হন্দক্কী চহীসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংসু মমাঙদা অমুক্তা য়ৌবা ঙমখিদ্রিবা মওংদা চাদা ৬০গী চাং য়ৌনা পাস তৌরক্তুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। অদুগা মণিপুর অপূম্বগী ওইবা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংগীনা হান্না মমাঙদা অমুক্তা য়ৌবা ঙমখিদ্রিবা মওংদা হন্দক্কী কুমজা ২০২২গী মেত্রিক এগজামসিদা চাদা ৮০গী চাংদা পাস তৌবা ঙমখি। মসিনি, হন্দক্কী কোরোনা পেন্দমিক মনুংদা য়াম্না ৱানা লাইরিক তম্নখিবা অদুগা থা মশীং খঙদনসু পেন্দমিকসিনা মরম ওইদুনা স্কুলশিং থোঙ হাংনখিদ্রবগী তুংদা, বেটচসিদা মহৈরোয়শিং ওইরিবা ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংসিনা থাজরকপা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজাম, ২০২২গী তোপ তোপ্পা মহাও হায়বদু। কোরোনানা উফুল তানা নৈখ্রবা ইরমদমসিগী লৈমায়সিদা কল্লবা পেন্দমিক মনুংদুদা মেত্রিক এগজাম থানবা লাইরিকপু হোৎনগদ্রা নৎত্রগা কোরোনা থেংনদনববু লোৎকদ্রা, লোৎনা-লোৎনা ঐখোয়গী ইচা ইসুশিংসিনা হোৎনজখিবগী মহয়দুননি ঙসি অনৌবা রেকোর্দশিংগা লোয়ননা ফংলিবা ঐচ এস এল সী এগজাম, ২০২২গী চাউথোকচনীংঙাই ওইরবা মহয়সি। হায়সু হায়বনি, কোভিদ পেন্দমিক মনুংদা মহৈ তম্লিবা নহারোলশিংনা লাইরিক্তা ওনশিন্দুনা ইমুংদগী মপান থোক্তবা মখৈ হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা, মতম লেনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংবদুদা হন্দক্কী ক্লাস টেনগী এগজামসিদা তশেংনা কান্নবা হায়বদু ওইরক্লিবা জাৎলা? কূপ্না নৈনবা য়াই, হীরমসিদদি কোভিদকী কান্নবা লৈরম্বসু য়াই।

অমরোমদা হায়রবুদি কোভিদ-১৯গী পেন্দমিকনা লন্নাইগী ওইবা থৌদৌ কয়ামরুমদা কান্নবা ফংহনবা কাঙবুশিংসু মশীং থিঙমদনা লৈবা জাৎনি। কোভিদ মনুংদা লৈরক-খুল্লক্ক চিংবশিংদা রিস্ক খরদং লৌরগা তঙাইফদনা নোংমগী মনুংদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচঙশিং, এঞ্জাং-নাপিনচিংবা আইটেমশিং য়াওনা য়োনবা চৎপা কাঙবুশিং শাথীনা কান্নহৌবশিং য়াওনখ্রে হায়। অদুমকপু পূম্নমকসিনা অমা ওইখ্রগা হৌজিক হৌজিক মরু ওইনা ইরমদমসিগী মহৈ-মশীন তমখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী মফমদা নোংম-নোংমগী লেপ্পা লৈতনা হেঙ্গৎলক্লিবা হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী ফীভমসিনা করি অমুক ওইহল্লক্কদৌরিবা হায়বসি খন্ননীংঙাই ওই। মমাঙদবুদি উচিন-নাচিন, হন্দক ক্লাস টেন পাস তৌনখিবা মহৈরোয়শিং অয়াম্বদু মরাইবক তশেংনা ফনখ্রে। হায়দি হায়হৈদে, করিগুম্বদা অমুক হন্না হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিনা নমদুনা পাকথোক-চাউথোক্লকপা থোক্লবদি মমাঙগীগুম হন্দকসু মহৈ-মশীন তম্লিবা মহৈরোয় ইচা-ইশুশিংসি লাইরিক লাইশুদা মায় হেন্না পাকহল্লক্কদ্রা হায়বসি খন্নবা য়াবা ৱাফমনি। ৱাফমসি তশেংনা অচুম্বা ৱাফম অমসু ওইরকফম থোকই। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ কনশিল্লকপা মতমদা মশানা লমদমসিগী মীপূম খুদিংমক য়ূম-য়ূমদগী হেন্দোক্তনবা পব্লিক কর্ফিয়ুনচিংবশিং কয়ামরুম লৈঙাক্লা শোয়দনা লাউথোক্লক্কনি। অসুম্না, পব্লিক কর্ফিয়ুনচিংবশিং লৈরবদি মশানা ঐখোয় অমদি ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংসু য়ূমদগী মপান খক থোক্লরোই অমসুং লাইরিক-লাইশু অমদি অতৈ অতৈ মহৈ-মশীনশিংদা মথ্বায় শোয়দনা য়াওরক্কনি। ফীভমসিদদি মণিপুরগী নহাশিং মশা-মশাগী মথৌদাংশিংদা মপূক্লিং চঙনা মায় ওনশিনবা হায়বদু শোয়দনমক্কী ওইরকপা য়াই অমসুং থৌদৌসিদা লমদম্নরকপসু য়াই। অদুগীসু মথক্তা মতমসিদদি ইথক ইরাং কনখ্রবা ইরৈবাক মচাসি ইথক ইরাং পামজরবসু ইথক ইরাং থাংবা থবক মচেৎ মচা অমা ফাওবা পাঙথোকপা য়াররোই। ফীভমসি ওইরবদি ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিং মমান্নবা অমত্তগসু পুল্লগা অরেম্বদা মতম মাঙহল্লরোই অমসুং ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংসু শীজিন্ননীংবগী ৱাখল্লোন লৈররোই। সিচুএসনসিদদি নমদুনা মহৈ-মশীনদা মথ্বায় খরসু য়াওরকপা মশানা তাবনি। মসিমক্না ওইরম্বসু য়াই, হন্দক্তা রিজল্ট লাউথোকখিবা মণিপুরগী ঐচ এস এল সী এগজাম, ২০২২গী মহৈরোয়শিংগী রিজল্টদু কোরোনাগী লাইচৎনা মতম শাংনা ননখিবা মহৈরোয়শিংনি হায়না পাখৎলুরগা অসুক্কী মতিক ফজবা রিজল্ট অমা ওইরম্মী হায়নরিবসি। মতৌ অসুম্না কোরোনা ভাইরসকী লাইচৎনা মালেমসিগী কাচিন কোয়া থুংনা, ফুং-কাং নোম্বা মখৈ অকি অখংনা পীক থনহল্লবসু য়ূমদগী হেন্দোক্তনা অমসুং ইমুংদগী মপান ফাওবা থোক্তনা কোরোনাগী চপ চাবী চেকশিন থৌরাংশিং ঙাক্তুনা ইশানা তৌজবা য়াবা থবকশিং য়ূমদা তৌজবদদি অকায়বা খক লৈতে হায়বসি ঐখোয় খঙমিন্নসি। থৌদৌসিনা পুন্সিদা অমুক্কা হেন্নসু মায় পাকহল্লি হায়বসিসু ঐখোয় কাউরগুমসি।

হন্দকসু অমুক্কা কোরোনা ভাইরসকী লাইচৎসিনা নমদুনা ইরমদমসিদা নোংম-নোংমগী পোজিটিভ ওইবা মী মশীং খঙদনা হেঙ্গৎলকপদগী কোরোনা লাইচৎকী চপ চাবী মচৎতুদি শুপ্নগী নোংম-নীনিসিখক ঙাইবদা চপ চানা অদুম্মক ফংবা ঙম্লে। কোরোনাগী লাইচৎসি শুপ্নতগী মীওই অমা-অনী খক্তং নৎত্রগা অহুম-মরিদং পোজিটিভ ওইবা হৌরকপদা চপ চানা ফুল স্বিংদা লায়েংহৌবা অমদি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌবগী থবকসি পায়খৎপদা য়াদবা লৈবরা নৎত্রগা প্রোসিদ্যুরনচিংবশিংদা অকায়-অতোয়শিং থোকপা লৈবরা? মসিৱাইসিদা মীচম-মীয়াম্না খঙবদা য়াদবা করি লৈবগে? নৎত্রগা মীচম-মীয়াম্না পাউ লৌনদবনরা? মসিৱাইগী এরিয়া সিমত্তং মরী লৈনবশিংনা খজিক্তং ময়েক শেংনা মীয়ামদা শেংদোকপীরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। লোয়ননা কোরোনাগী লাইচৎসি লায়েংবদা ঐখোয় ময়াম পূন্না অঙম-অঙম্বশিং, মোরেল সপোর্টতা ওইরবসু পীনদুনা মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নসি। ●

# মীতোপকী শাফুদগী ইরৈবাক কনসি

– ডা. মালেম নিংথৌজা –

মণিপুর মীতোপ থোমজিল্লকপগী চৈথেং মায়োক্লরি। লুরিবদি মীতোপ কনানো খন্দোক্লবা বেজ য়র অরেপ্পা অমা লৈত্রি। ১৯৬১না বেজ য়র ওইরনি হায়না কেবিনেটনা হন্দক ৱারেপতি লৌরে। মসিমক্না য়ানরবা অমা ওইগদৌরিব্রা খঙদ্রি। লৈবাক অসিগী লৈহৌমী (aboriginal), য়েলহৌমী (indigenous or native), মীতোপ অমসুং রিফ্যুজি কনানো হায়বগী ৱাহন্থোক (definition), ওইজথোক (right) অমসুং থৌদাং (duty) মসি চৎনরে হায়বা ওফিসিএল্লি অরেপ্পা অমা লৈত্রি। মীতোপনা কা হেন্না খুন্দা লৈতাশিল্লক্তুনা য়েলহৌমীশিংবু খুদুম চনশিল্লক্লে হায়বা পাখৎপা ফোঙদোক্লবসু; মীতোপকী মীকোক মশীং, মখোয়গী মীং অমসুং লৈফম, শেন্দাল লম্বী, মখোয়না খোপচিল্লিবা লৌরি-য়ূম্ফম, পেকশিল্লিবা লন-থুম, লৈবাকসিদা পীরিবা কান্নবা নৎত্রগা মাঙজবা অসিনচিংবগী চপ চাবা দাটা লৈতে। খুন্দা লৈতাশনখ্রবা মীতোপশিংনা পীরিবা চৈথেং কমদৌনা ঙাকথোক্কনি, হৌজিক চঙশিল্লকপা অমসুং তুংদা চঙশিল্লক্কদবা মীতোপশিংদা করম্বা অহকপা অথিংবশিং থমগনি হায়বগী মঙম শানগদবা থৌরাং-পথাপ (policy program) লৈতে।

ঐখোয়না মীতোপ্পু য়েক্লবনি হায়না ৱাহন্থোক পীবদি য়ারোই। Xenophobia অমসুং jingoism শাগৎপসু চুম্লোই। অদুবু ইরৈবাক্কী ঙমখৈ মনুংসিদা ঐখোয়না খূৎলিংনা চাওখৎনা হিংনবা হোৎনবগী মহুত্তা মীতোপ য়োকখৎলগা মীখা পোল্লু, লায়র তাল্লু, লৈখা তাও হায়বদি ঐখোয়না য়াফম থোক্তে। ঐগী য়ূম্বাল, লৌ-ইঙ্খোল, য়ূম্ফম, ইয়ুম ইকৈ, লন থুম, চৎন কাঙলোন, পুন্সিরোল, শক্তম অসিনচিংবা কয়া অসি মাঙ তাকহন্নীংঙাই ওইবা মওংদা মীতোপ্না শম্বল নমখায়দুনা চঙশিল্লক্লগা খূৎ থিংজিল্লক্লবদি মদুদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনবা হায়বসি ঐগী তঙাইফদবা থৌদাংনি। মণিপুরগী অশুপ্পা ফীভমদা; পীকখ্রবা লায়রবা লৈবাক অসি শেমগৎ শাগৎপদা, য়েলহৌমী ঐখোয়গী য়াইফনবগীদমক; করম করম্বা মীতোপ মীকোক কয়া চঙজফম পীবা মথৌ তাই হায়বসি ঐখোয়না লেপকনি। মসিগী ওন্না তৈনবদা, মীতোপ হালেংদনা পুশিল্লক্তুনা মখোয়না খুদুম চলহন্নবা হোৎনবদি লৈবাক কাং খোং চাইগনি, য়েলহৌমী লৈখা তাগনি।

মীতোপ চঙথোক - চঙশিন খুন্দা লৈতাশিনবা কূপ্না য়েংশিনদবা য়ারোই। মালেম অসিদা লৈরিবা লৈবাক খুদিংমক মীতোপ য়েংশিন-পথাপ লৈজৈ। মণিপুরদসু নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা মীতোপ য়েংশিন-পথাপ লৈরম্মী। নিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা মীতোপ্না খুনথোকপা অমসুং লমগী মপু ওইশিনবা য়াখিদে। মীতোপনা পাস পায়দ্রবদি লল্লোনবা য়াদবগী অথিংবা লৈখি। কুমজা ১৯৪৯দা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুং, মীতোপ থোমজিল্লকপদা থিংনবা লৈঙাক্কী মতিক চাবা ঙাকলৌ লৈখিদবদগী ইন্দিয়া মনুংগী অমসুং ৱাংমগী মীতোপ কয়ানা কা হেন্না থোমজিল্লকখিবনি। মতাংসিদা হায়নীংবদি; লৈঙাক্লা মীতোপ য়েংশিন-পথাপ শেমদবগী অশোয়বসি পোলিটিসিয়নশিংগী মরাল ওইরবসু, মীতোপ শৈদাংফম পীরিবা অমসুং খুন্দা লৈতাশিনখিবা অসিদি মীয়ামগীসু অশোয়বা চাউনা লৈ। মরমদি মীওই কয়ানা লন্নাই শেন্থোক্কীদমক অদুগা অতৈনা ফুরুপকী লাল্লোং অমদা মখোয় মখোয়গী ঈ মরীনি খনবা মীতোপশিংবু হালেংদনা পুশিল্লকপনি।

লৈবাক্কী ঙমখৈ হায়বসি ইরৈচাশিংবু মীতোপ্তগী ঙাকথোক্লবা শম্বল অমনি। মীতোপ চঙথোক চঙশিন অমসুং খুন্দা খুন্থোক য়েংশিন-পথাপ লৈত্রবদি লৈবাক্কী ঙমখৈ লৈতবগা চপ মান্নে। মীতোপ্না মীকোক মশীং কা হেন্না হেনজিল্লকপা, লম অমসুং মহৌশাগী পোথোকশিং খোপচিল্লকপা, য়ূম কৈ, লন থুমগী মপু ওইশিল্লকপা, কৈথেল অমসুং শিনফম পায়শিল্লকপা, মীখলদা য়াওশিল্লকপা, ফুরুপকী ঈরাং শাগৎলকপা, লৈঙাক্লা মীয়ামদা ফংহনবা খুদোংচাবা কয়াগী অচৌবা শাদোং ফক্তুনা মুন্নবা হোৎনরকপা অসিনচিংবা অসি য়েলহৌমীশিংগী ফীভম লুবা হেনজিল্লক্কনি। অদুবু, লুরিবদি মীতোপ পুশিল্লক্লিবসি কনানো হায়বা ৱাফম লাকপদা ফুরুপ অমা নৎত্রগা অমদা মরাল থংজিন্নরি; মীতৈনা ময়াং পুশিল্লকপনি, ময়াংনা ময়াম পুশিল্লকপনি, নাগা অমসুং গুরখানা নেপালি পুশিল্লকপনি, পাঙলনা বাংলাদেসি পুশিল্লকপনি, কুকিনা বর্মিজ পুশিল্লকপনি হায়না কম্যুনেল প্রোপেগন্দা তৌনরি। মসিদা হংবা য়াবা ৱাহংদি; ঐখোয় ফুরুপকী লানবন শেম্নদুনা মীতোপ পুশিল্লকপদা হিদান্নরসি হায়ব্রা?

নৎত্রগা, লৈবাক অসি মীতোপকী চৈথেংদগী কনসি হায়ব্রা? মীতোপ চঙথোক চঙশিন য়েংশিনসি হায়বা ৱাফমসিদদি লোইনমক য়ানরবগুম তৌই। লুরিবা ৱাফমদি; মীতোপ কনানো, কনানা মশক তাক্কনি, কনানা কমদৌনা ইরৈবাক্তগী তকথোক্কদৌরিবনো হায়বসিনি। মণিপুর ভেল্লিদা মপূং ওইনা মীতৈনা হৌরিবা ঈহৌ অসিদি লৈবাক অসিগী পাক চাওবা ১০% খক্তদা হৌবা ঈহৌনি। মসিদসু মীতোপনি হায়না কাবক কাবক খূৎ থিন্দুনা হায়নরিবসি শক, লোল অমসুং নাৎ য়েলহৌমীশিংগা চুশিন্নদবা ময়াং মীকোক খরদংনি। ফুরুপশিংগী মরক্তা শক, লোল অমসুং নাৎ চুশিন্ননা খুন্দাহনবা খক্তা নত্তনা লৌতুনরগা শেম্বা শক্তাক চে পায়রবা মীতোপশিংদি মখোয় শৌগৎপা মীওইশিংদুনা মশক তাকপা নৎত্রবদি অতৈনদি ৱাগনি। মণিপুরগী পাক চাউবা ৯০% ওইরিবা চীংদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা ঈ মরী তিন্নবা মীতোপশিং য়োকখৎতুনা থম্বা তারবদি মখোয়দু লৈঙাক অমসুং তম্পাক্কী ঈহৌরোইশিংনা শক খঙদোকপা ৱাগনি। ফুরুপকী লানবন শেমগৎপগী লাল্লোংদা মীতোপ পুশিল্লকপা কাঙবুদি মীতোপ য়েংশিন ঈহৌগী মায়োক্তা ফোংনা লেপ্পা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি।

মণিপুরবু নীংজবা অমসুং য়েলহৌমীশিংবু কঞ্জনীংবশিংনা লৈবাক ঙমখৈ ঙাকপগা লোয়ননা মীতোপকী শাফুদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবা তাই। ফুরুপকী লানবন শেমদুনা লৈবাক ঙমখৈ থুগাইগে নৎত্রগা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ অতৈবু খুদুম চনগে হায়না লাল্লোং শেমদুনা মীতোপ শৌগৎলবদি ফুরুপশিংগী মরক্তা লান হায়বদু নোংমদি শোয়রোই। হিংহৌবখৈনা পালহৌরসনু হায়বা মতাং লাক্লবদি পূন্না মাঙমিন্নগনি। মসি থোক্তনবা হোৎনবা তাই। মীতোপকী চৈথেংদগীসু ঙাকথোক্লবা হোৎনবা তাই। কম্মন এজেন্দা শেমীন্নবা হোৎনবা তাই। মীতোপ খঙদোক্লবা বেজ য়র অমা (১৯৫১/১৯৬১/১৯৭১/করম্বা চহী) লৈঙাক অমসুং মীয়াম য়াশিন্নবা তাই। মীতোপনা ইরৈবাক অসিদা লম, মহৌশাগী পোথোক, ষ্টেট দং প্রোপর্টিজ, মেছিন্নরিজ, লৈশেম মীখল (legislative election) অসিনচিংবশিং অসিদা ওইজথোক (rights) লৈবা য়ারোই হায়না ময়েক শেংনা ইবা পথাপ (লো) অমা শেম্মীন্নবা তাই। হৌজিক চৎনরিবা মণিপুর ইন্নর লাইন পর্মিট গাইদলাইন্স, ২০১৯ অসিগী অৱাৎপশিং মেনখৎনবা শেমদোকপা তাই। অমরোমদনা, মণিপুরগী ওইবা সিটিজেনসিপ রেজিষ্ট্রেসন তৌবা তাই।

মীতোপকী শাফু হায়বসি মখল অনীনি। অমনা, হকথেংননা মীকোক ওইনা চঙশিল্লক্তুনা খুন্দা লৈতাশল্লিবা কাঙবু অসিনি। অদুগা অমনা লমদম অসিবু নৈহৎতুনা শেঞ্জাও-শেনখোপ ফক্তুনা হুনবা চঙশিল্লকপা মপান লমগী ফাইনান্স ইম্পিরিএলিজমগী মীতোপ্না খূৎলিংদুনা সুপ্লাই পায়বা কম্পেনিশিংনা পুশিল্লক্লিবা extractive investment শিং অসিনি। অনীমকসি মণিপুরগী ওইনা খুদোং থীনীংঙাই ঙাক্তনি। অদুবু তম্পাক্তা হৌরিবা ঈহৌ অসিদি মপূং ওইনা অহানবগী মীতোপ কাঙবু অসিগী মায়োক্তনি। ঈহৌগী ৱাখল্লোন অমসুং তুংগী মীৎয়েং শান্দবা মরম্না অনীশুবগী য়াম্না তমথীবা শক্লোন অসি উবা ঙম্নদে। Finance imperialism গী জিও-পোলিটিক্স কাঙলোন অমা ওইনা চাওখৎপগী মায়খুম কুপ্তুনা চত্থরকপা লৈতেং চাকথাকশিং অদুগী মহী-ময়াইদা ঙাওদুনা লৈনৈ। মদু মুন্নবগী হিদান্নরিঙৈদা তুংগী লৈখা তারক্কদবা ফীভমশিং উবা ঙম্নদে। খুদোংথীবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা মীতোপকী শাফু করিনো হায়বসি খরা হেন্না পাক চাওবা মীৎয়েংদগী কুপথনা নৈনবা অমসুং খঙমিন্নবসু মথৌ তাই। ●